# ফোরেন ওফিসল ৯৫ য়াওনা দেলিগেট ১০০ হেনবনা শরুক য়ারগা জি-২০ সম্মিট অসামদা হৌদোকখ্রে

গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারী ০২ (এজেন্সি):
অসামদা অহানবা ওইনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱালনা ফোরেন ওফিসল ৯৫ য়াওনা তোঙান তোঙানবা দেলিগেট ১০০ হেনবনা শরুক য়াখিবা জি-২০ সম্মিট ঙসি হৌদোকখ্রে।




সষ্টেনেবল ফাইনান্সিয়ল সোলুসন হায়বা ৱাফম অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা নুমিৎ নীনি চৎথগদবা থৌরম অসি হৌদোকপগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱালনা ফোঙদোকখিবদা, অসামদা অহানবা ওইনা পাঙথোক্লিবা জি-২০ সম্মিট অসি ষ্টেট অসিগী ওইনদি য়াম্না কান্নবা অমনি। ফোরেন কন্ত্রিশিংদগী লাক্লিবা দেলিগেটশিং অসিগা পুন্না ফম্মিন্নদুনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা নৈনবগী খুদোংচাবা অমা ফংলিবা অসি ষ্টেট অসিগী ওফিসলশিংনা অরেম্বা তাহল্লোইদবনি। জি-২০ সম্মিট অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা গুৱাহাটি সীটিদা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা ইনভেষ্ট তৌহন্নবা ঐখোয়না হোৎনহৌগদবনি হায়রি।

অমরামদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা লৈবাক অসিনা ক্লাইমেট চেঞ্জ মায়োক য়ানবগীদমক হোৎনরিবা কয়া অদুগী মতাংদসু সম্মিট অদুদা শরুক য়াখিবশিংদা খঙহনখি অমদি মালেমগী লৈবাকশিংনা অমত্তা ওইনা ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদা থবক তৌমিন্নদ্রবদি মায় পাকপা ঙম্লোই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। ক্লাইমেট চেঞ্জ মায়োক য়ানবা হোৎনবদা ষ্টেট অসিদা অচৌবা ফন্দিংগী মথৌ তাই হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়খিবদা, সষ্টেনেবল দিবলপমেন্ট অমদি ক্লাইমেট চেঞ্জকী পান্দম মপুঙ ফানা মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা লৈবাক অসিনা চাওরবা শেনফম কয়া মথৌ তারি। মরম অদুনা পব্লিক অমসুং প্রাইভেট সেক্টরশিংনা লোকেল অমসুং গ্লোব্লেল লেভেলদা ইনভেষ্ট তৌবগী তঙাইফদা লৈরি। অদুবু লাইবক থিবদি ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদা পব্লিক অমসুং প্রাইভেট সেক্টরদগী ইনভেষ্ট তৌবগী চাং অসি য়াম্না ৱাৎলি। হিরম অসিগী মতাংদা ঐখোয় খুদিংমক্না অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌবগী তঙায়ফদবা লৈ। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্নসু হিরম অসিদা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌগদবনি হায়রি।



বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাং সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা সেন্দ্রাদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড ৱেটলেন্দ দে ওবজর্বেসনগী থৌরমদা শরুক য়াখিবশিং

# মেঘালয় এসেমব্লি ইলেক্সন বি জে পিনা সীট ৬০ মক্তা মীখল লম্বা থেংনগনি



শিল্লোং, ফেব্রুৱারী ০২ (এজেন্সি):
থা অসিগী ২৭ তা পাঙথোক্লবা শেম শারিবা সীট ৬০ লৈবা মেঘালয়া ষ্টেট লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখলদা বি জে পিনা সীট ৬০ মক্তা মীরেপ থাদোক্তুনা মীখল লম্বা তৌনগনি হায়না বি জে পি নেসনল সেক্রেটরি রিতুরাজ সিনহানা ফোঙদোরক্লি।

পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইগদবশিংগী মমিং ঙসি লাউথোকপগী থৌরমদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়খিবদা, মেঘালয়াদা অওনবা অমা পুরকপা হায়বসি ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না পাম্মি। মীয়াম্না পাম্লিবা অওনবা অদুবু অতোপ্পা পার্টি অমত্তনা পুরকপা ঙম্লোই। মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না থবক তৌবা ঙমগদবা পার্টিদি বি জে পিনি। ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী অপাম্বা খঙদোক্লবা মতুং বি জে পিনা সীট ৬০ মক্তা মীরেপ থাদোক্তুনা মীখল লম্বা তৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

মেঘালয়াদা চহী কয়া লৈঙাক পায়দুনা লাকখিবা কোংগ্রেস অমদি হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা পার্টিশিংনা ষ্টেট অসিদা ঙসি ফাওবা চাওখৎপগী লম্বীদা অওনবা অমত্তা পুরকপা লৈতে। অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং অমদি লৈবাক অসিগী ওইনা লৈরিবা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবা মতমদা মেঘালয়া ষ্টেট অসি চাওখৎপগী চাং য়াম্না ৱাৎলি। মরম অদুনা ষ্টেট অসিবু মপুঙ ফানা চাওখৎহনবা হায়বসি বি জে পিগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি হায়রি।

অমরোমদা মমাং চহীদা পুলিসনা তোঙান তোঙানবা কেসতা ফাদুনা লৈরুরবা মতুং বেলদা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা মেঘালয়া বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট বর্নাদ মরাকনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টরিয়ল কেন্দিদেট ওইরগনি কনফার্ম তৌখ্রে হায়না পার্টি অসিদগী ফংবা ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

# নাগালেন্দ এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিগী মীরেপ ওইগদবশিংগী মমিং লাউথোকখ্রে

কোহিমা, ফেব্রুৱারী ০২ (এজেন্সি):
থা অসিগী ২৭ তা পাঙথোক্লবা শেম শারিবা নাগালেন্দ লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখলদা বি জে পিগী মীরেপ ওইগদবশিংগী মমিং ঙসি লাউথোকখিবগা লোয়ননা মীখল অসিদা বি জে পি অমদি চৎমিন্নরিবা পার্টিনা চাওনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়না বি জে পিগী নেসনল স্পোক্সপর্সন নালিন কোহলিনা ফোঙদোরক্লি।

নালিননা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না নাগালেন্দদা হৌজিক হৌজিক রুলিং পার্টি ওইরিবা এন দি পি পিগা এলাই ওইদুনা লাকখিবা বি জে পিনা হন্দক্কী মীখল অসিদসু মখা তানা চৎমিন্ননবা ফিরেপ লৌখিবনি। হন্দক্কী ওইনা সীট ৬০ লৈবা নাগালেন্দ এসেমব্লি মীখলদা এন দি পি পিনা সীট ৪০ দা মীখল লম্বা তৌনগনি অদুগা বি জে পিনা সীট ২০ দা মীরেপ থাদোক্তুনা মীখল লম্বা তৌনগদৌরি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিগী সিট্টিং এম এম এ অমখক নত্তনা হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা খুদিংমক্তা অমুক হন্না বি জে পিগী টিকেট পীখ্রে। মীখল অসিদা এন দি পি পি অমসুং বি জে পিনা অমুক হন্না চাওনা মায় পাক্তুনা চুংশিন্নবা লৈঙাক শেম্বা ঙমগনি হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্নসু বি জে পিদা থাজবা থম্বগী চাং হান্নদগী হেনগৎলক্লি। মীয়ামগী থাজবা পার্টি অসিনা মাঙহল্লোই হায়রি।

# ইলেক্সন মমাংদা হান্নগী স্পিকর মার্টিন বি জে পিদা য়াওখ্রে

শিল্লোং, ফেব্রুৱারী ০২ (এজেন্সি):
মেঘালয়া ষ্টেট লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখল মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী হান্নগী এসেমব্লি স্পিকরসু ওইরম্লবা মার্টিন দাংগো ঙসি বি জে পিদা য়াওখ্রে হায়রি।

মার্টিননা ঙসি বি জে পিদা য়াওরকখিবা অদুবু কেবিনেট মিনিষ্টর সনবোর শুলাই য়াওনা ষ্টেট বি জে পিগী লুচিংবা কয়ানা তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা মহাক্না পার্টি অসিদা য়াওরকপগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোকখি। ঙসি বি জে পিদা য়াওখ্রবা মার্টিনা হৌখিবা কুমজা ১৯৯৮ পিপলস দেমোক্রেটিক মুবমেন্টদগী টিকেট ফংদুনা ইহান হানবা ওইনা ইলেক্সন মায় পাকখিবনি। মদুগী মতুং হায়রিবা পার্টি অদুমক্তদা মহাক কুমজা ২০০৩ দা অমুক হন্না মায় পাকখি। মদুগী মতুং কোংগ্রেসকী টিকেটতা কুমজা ২০০৮, ২০১৩ অমসুং ২০১৮ দসু মায় পাক্তুনা লাকখিবনি হায়রি।

# মীয়াম্না অঙম্বা মতেং পাংবিনবা অপিল তৌরক্লি

গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারী ০২ (এজেন্সি):
থা অসিগী ময়ায় চল্লকপা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রিপুরা এসেমব্লি মীখলদা মায় পাক্না মায়োক য়াবা ঙম্নবগীদমক মীয়ামদগী মতেং লৌনবগী কেম্পেন অমা অথুবা মতমদা পাঙথোকপা হৌরগনি হায়না তিপ্রা মোথাগী লুচিংবা প্রদিওট কিশোর দেববর্মনা ঙসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না অঙম্বা মতেং পার্টি অসিদা শোয়দনা পাঙলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা তিপ্রা মোথাগী চীফ অসিনা ফোঙদোকখিবদা বি জে পি, কোংগ্রেস অমসুং সী পি আই-এমগুম্না মহাক্কী পার্টিনা অচৌবা কোর্পোরেট সেক্টরশিংদগী ফনি দং লৌবগী থবক তৌদে। পার্টি অসিনা মরোমদোম সীট ৬০ লৈবা এসেমব্লি মীখল অসিদা সীট ৪২ দা লম্বা তৌনগদৌরি। অমদি চাওনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মীয়ামদগী মতেং লৌনবগীদমক বেঙ্ক একাউন্ট অমা হাঙদোক্লে হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# সীট ১৩ দগী সী পি আই-এমনা মখোয়গী কেন্দিদেটশিং ৱিথদ্রো তৌরগনি

আগরটালা, ফেব্রুৱারী ০২ (এজেন্সি):
থা অসিগী ১৬ তা পাঙথোক্লবা শেম শারিবা ত্রিপুরা লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখলগা মরী লৈননা কোংগ্রেস অমসুং সী পি আই-এম পুন্না চৎমিন্নবা হায়না য়ানখিবা অদুগী মতুংইন্না সী পি আই-এমনা মখোয়গী মীরেপ ১৩ ৱিথদ্রো তৌনবা শেম শাদুনা লৈরে অমদি কোংগ্রেস পার্টিনসু য়ানখিবশিং ঙাক্না চৎনবা অপিল তৌরক্লি।



সী পি আই-এম ষ্টেট সেক্রেটরিয়েৎ বোদিনা ঙসি প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিদা লৈরিবা বি জে পি অমসুং আই পি এফ টিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী ওইনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খত্তনা লৈরে। মীয়ামগী য়াইফনবা থবক পায়খৎপগী মহুত্তা মশাগী অমদি মখোয়গা নক্লবা মীওইশিংগী কান্ননবা হোৎনদুনা লৈরে। অসিগুম্বা অরানবা লৈঙাক অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিবু মায়থিবা পীবা মথৌ তাই। মরম অদুনা সী পি আই-এমনা কোংগ্রেসকা পুল্লগা চৎমিন্ননবা ফিরেপ লৌখিবনি।

পার্টি অনীনা য়ানখিবগী মতুংইন্না সীট ৬০ লৈবা মীখল অসিদা সী পি আই-এমনা সীট ৪৭ তা অদুগা কোংগ্রেসনা সীট ১৩ দা মীখল লম্বা তৌনবা হায়না য়ানখিবনি। অদুবু কোংগ্রেসনা সীট ১৭ তা মখোয়গী মীরেপ চে পীশিল্লকখিবনা মরম ওইরগা সী পি আই-এমনসু সীট ৬০ মক্তা মীরেপ চে পীশিনখিবনি। মসিগী মতুং পার্টি অনীগী লুচিংবশিংগী ওইবা ৱারী মখা তানা শান্নরবা মতুং সী পি আই-এমগী ওইনা কোংগ্রেসনা দিমান্দ তৌরিবা সীট ১৩ দগী মখোয়গী কেন্দিদেটশিং ৱিথদ্রো তৌনবা শেম শারে। মরম অদুনা কোংগ্রেসকী মায়কৈদগীসু য়ানখিবা ৱাফমশিং ঙাক্না চৎনবা হোৎনগদবনি। ঙসি মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনি। মরম অদুনা কোংগ্রেসকী পায়খৎফম থোকপা থবক মতম চানা পায়খৎনবা অপিল তৌরক্লি।

## CROSSWORD-3777



**ACROSS**

7. Commodities offered for sale (11)
8. Mystery(6)
9. Filch(6)
10. I've found it!(6)
12. Refuse to acknowledge(6)
13. Female in religious order(3)
14. Menace(6)
16. Threefold(6)
18. Hazard(6)
20. Reprimand(6)
22. Quickly(2,3,6)

**DOWN**

1. Portent(4)
2. Capital of the Czech Republic (6)
3. Game bird(8)
4. Children's card game(4)
5. Stringed instrument(6)
6. Postponement(8)
11. Great disturbance(8)
12. Inside(8)
15. Fourscore(6)
17. Drink in(6)
19. Smell strongly(4)
21. Retain(4)

**Solution 3776**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | P | A | R | S | E | | A | P | I | E | C | E |
| I | | B | | A | | | | A | | R | | S |
| E | X | A | C | T | | A | B | R | E | A | S | T |
| S | | N | | A | | S | | A | | S | | A |
| T | I | D | I | N | G | S | | B | L | E | A | T |
| A | | O | | | | A | | L | | | | E |
| | | N | E | G | L | I | G | E | N | T | | |
| A | | | | A | | L | | | | A | | S |
| D | W | E | L | L | | A | C | R | O | B | A | T |
| O | | X | | L | | N | | E | | L | | A |
| R | E | T | R | A | C | T | | C | L | O | U | T |
| E | | R | | N | | | | U | | I | | U |
| D | E | A | R | T | H | | B | R | I | D | G | E |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-5075**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 6 | 1 | | 7 | | 4 | 2 | |
| 3 | 2 | | | | | | | 7 |
| | | | | | | | 9 | 1 |
| 9 | | 2 | | | 5 | | | |
| | | | 3 | | 8 | | | |
| | | | 7 | | | 2 | | 6 |
| 8 | 9 | | | | | | | |
| 1 | | | | | | | 5 | 9 |
| | 3 | 5 | | 1 | | 8 | 7 | |

**Solution-5074**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 7 | 4 | 9 | 2 | 8 | 5 | 3 | 6 |
| 5 | 9 | 8 | 6 | 3 | 7 | 2 | 1 | 4 |
| 6 | 3 | 2 | 4 | 5 | 1 | 7 | 8 | 9 |
| 7 | 5 | 6 | 3 | 8 | 4 | 1 | 9 | 2 |
| 9 | 8 | 3 | 2 | 1 | 6 | 4 | 5 | 7 |
| 2 | 4 | 1 | 7 | 9 | 5 | 8 | 6 | 3 |
| 3 | 1 | 7 | 8 | 6 | 2 | 9 | 4 | 5 |
| 4 | 6 | 5 | 1 | 7 | 9 | 3 | 2 | 8 |
| 8 | 2 | 9 | 5 | 4 | 3 | 6 | 7 | 1 |

## EMPLOYMENT NEWS

### REGIONAL MEDICAL RESEARCH CENTRE NE REGION RECRUITMENT 2023 FOR MEDICAL SOCIAL WORKER, MORE VACANCIES

Regional Medical Research Centre, NE Region Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies Recruitment 2023: Advertisement for the post of Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies in Regional Medical Research Centre, NE Region. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 14 February 2023. Candidates can check the latest Regional Medical Research Centre, NE Region Recruitment 2023 Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies Vacancy 2023 details and apply online at the rmrcne.org.in/ recruitment 2023 page.
Regional Medical Research Centre, NE Region Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ rmrcne.org.in/. Regional Medical Research Centre, NE Region selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of rmrcne.org.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Regional Medical Research Centre NE Region
invites applications for recruitment of Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies
Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies
Job Location:
Post Office Box # 105, Dibrugarh, 786001 Assam
Last Date: 14 February 2023
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 6 Posts
Company Regional Medical Research Centre, NE Region
Job Role Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies
Education Requirement B.Sc
Total Vacancy 6 Posts
Job Locations Dibrugarh
Experience 0 - 3 years
Salary 15800 - 32000(Per Month)
Posted on 23 Jan, 2023
Last Date To Apply 14-02-2023
Educational Qualification: B.Sc
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 15800 - 32000(Per Month)
Age Limit: Maximum 30 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies in Regional Medical Research Centre North Eastern Region.
How to Apply:
Candidates must apply for Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023 before the last date announced. Candidates, who apply for the Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023, can follow the procedure given to apply.
Step 1: Visit the official website of Regional Medical Research Centre North Eastern Region rmrcne.org.in
Step 2: Search the notification for Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023
Step 3: Clearly read all the details given on the notification
Step 4: Check the mode of application as per the official notification and proceed further
Important Dates:
Published on: 23 January 2023
Last date for application is: 14 February 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### REGIONAL MEDICAL RESEARCH CENTRE NE REGION RECRUITMENT 2023 FOR SCIENTIST-C, TECHNICIAN-C, MORE VACANCIES

Regional Medical Research Centre, NE Region Scientist-C, Technician C, More Vacancies Recruitment 2023: Advertisement for the post of Scientist C, Technician C, More Vacancies in Regional Medical Research Centre, NE Region. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 14 February 2023. Candidates can check the latest Regional Medical Research Centre, NE Region Recruitment 2023 Scientist C, Technician C, More Vacancies Vacancy 2023 details and apply online at the rmrcne.org.in/ recruitment 2023 page.
Regional Medical Research Centre, NE Region Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ rmrcne.org.in/. Regional Medical Research Centre, NE Region selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of rmrcne.org.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Vacancy Circular No:
Regional Medical Research Centre NE Region
invites applications for recruitment of Scientist-C, Technician-C, More Vacancies
Total Vacancy3 Posts
Job Locations Dibrugarh
Experience 0 - 4 years
Salary 20000 - 67700(Per Month)
Educational Qualification: MBBS
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 20000 - 67700(Per Month)
Age Limit: Maximum 40 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/ walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Scientist C, Technician C, More Vacancies in Regional Medical Research Centre North Eastern Region.
How to Apply:
Candidates who are applying for Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023, must apply before the last date. Candidates, who apply for the Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023, can follow the procedure as given below.
Step 1: Visit the official website rmrcne.org.in
Step 2: Search the notification for Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023
Step 3: Read all the details given on the notification and proceed further
Step 4: Check the mode of application on the official notification and apply for the Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023.
Important Dates:
Published on: 23 January 2023
Last date for application is: 14 February 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

